# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.054 | শগোলশেল, কালেন ২২ নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, May 18, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকপা ফোরম অসিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈনবা এৱার্দ লান্থোকপগী শক্তম অমা



এসিয়ন ওইল ফিল্ড সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদকী কাঙবুনা খাইদেম অৱাং লৈকায়দা থাউ থিবা লাকপা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌবা



পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী শরুক অমা ওইনা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা শিরুই ফেষ্টিবেল শরুক য়াগদবা মীয়ামগী য়েংলগা দুল্লালেন্দদগী বস লমথাবা



ৱার্ল্ড হাইপরটেন্সন দেগী থৌরমগা মরী লৈননা পোরোম-পাৎতা লৈবা স্কাই হোস্পিটালদা পাঙ-থোকপা ফ্রী হার্ট কেম্প থৌরমগী শক্তম অমা



| অ ঈং-অশাগী পাউ | | |
|---|---|---|
| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
| বিষ্ণুপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| চান্দেল | ২৭.২৩ °C | ২১.৬০ °C |
| সীসীপুর | ২৬.৯৭ °C | ১৮.৪৬ °C |
| ইম্ফাল | ২৫.৮৯ °C | ১৯.৫২ °C |
| সেনাপতি | ২৩.৯৫ °C | ১৮.২৯ °C |
| তমেংলোং | ৩০.৫৬ °C | ২১.২৭ °C |
| থৌবাল | এন এ °C | এন এ °C |
| উখ্রুল | ১৬.৮৬ °C | ১৪.০৮ °C |
| মণিপুর | ৩০.৫৬ °C | ১৪.০৮ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৭.৩০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## নোর্থ ইষ্টতা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন মওং তানা চখ্থদবদা সেন্টরনা ৱারৌরে

ন্যু দিল্লি, মে ১৭ (এজেন্সী) :
অৱাং-নোংপোক লমদমদা মওং-মরিল চুম্না ইনভেষ্টিগেসন চখ্থদবগা লোয়ননা প্রোসিক্যুসন অমসুং কনভিক্সনগী চাং নেম্না লৈবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি য়েংশিন্নবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা ষ্টেটশিংগী চীফ সেক্রেটরি অমদি দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস শরুক য়াখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) ডা. জিতেন্দ্র সিংহ, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফেয়র্স কিরেন রিজিজু, নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবাল অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংগী সিনিয়র ওফিসর কয়ামরুম শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট খরদা ক্রিমিনেল কেসশিং প্রোসিক্যুসন চখ্থদুনা কনভিক্সন পীবগী চাং নেম্না লৈরি। ষ্টেট অমদদি প্রোসিক্যুসনগী রেসিও অসি ইন্দিয়া অপুনবগা য়েংনবদা চাদা ৫ খক ওইরি। ষ্টেট খরদনা কিদনেপ তৌবা, মী ফাবা অমসুং মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খোমগৎপগী চাং ৱাংলবসু প্রোসিক্যুসন চখ্থদুনা কনভিক্সন পীবগী চাং শুপ্পগী চাদা অমখক ওইরি।



ক্রিমিনেলশিং চৈরাক পীবা ঙমদ্রবদি মীয়াম্না জষ্টিশ সিষ্টেমদা থজম্বা থাজবা পুম্নমক মাঙখ্রগনি। ক্রাইম থোকপগী চাং ৱাংনা লৈরবসু মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা প্রোসিক্যুসন চখ্থরগা চৈরাক পীবগী চাংদি কা হেন্না নেম্লি। পুম্নমক অসি মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চখ্থবা ঙমদবদগী ওইরকপনি। ইনভেষ্টিগেসন চখ্থরিঙৈদা মতিক চাবা সাইন্টিফিক টুলশিং মপুং ফানা শীজিন্নবা ঙমদে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট খরদা লৈরিবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিশিং নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিস চীফশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

মহাক্না হায়খি, অৱাং-নোংপোক্কী মফম অয়াম্বদা লালহৌবগী ঈহৌ মপুং ফানা লাকশিনবা ঙম্লবসু অয়াবা য়াওদনা খুৎলায় য়োম্থোক-য়োনশিন তৌবগী চাংদি ৱাংখৎলক্লে। ষ্টেটকী দি জি পিশিংনা অরানবা মওংদা খুৎলায় য়োম্থোক-য়োনশিন তৌরিবা মীওই-শিংগী মথক্তা থবক লৌখৎকদবনি।

সিলিগুরি কোরিদোরখক নৎতনা অৱাং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## শঙ্গাদ্রিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট লান্মীগী বেরেক ওন্থোক্লক্লে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তেরা উরক্তা লৈবা শঙ্গাদ্রিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটকী ফীভম কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা লুচিংবা টিমনা য়েংশিনবা চৎলুবদা লান্মীগী বেরেক ওন্থোক্লগা লৈরক্লে।

শেমগৎ-শাগৎলিবশিং অদুগী ফীভম করম তৌরিবগে হায়না য়েংলুবদা মফম অদুদা ১৩-শিখ লাইট ইনফেন্ট্রিগী পার্সনেলশিং লৈশিল্লম্বা থেংনখি। কমদৌনা কনাগী অয়াবা য়াওরগা মফম অদুদা লৈশিল্লম্বনো হায়না মিনিষ্টরনা হংবদা মতম খরখক্কী লৈবনি, থুনা হোংদোক্লগনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।



মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট অসিগী ওইনা য়ুনিট ৬০ রোম শাগদবগী মনুংদা হৌজিক ২৭ রোম শাবা লোয়দুনা থবক হৌবা য়াবা ফিভমদা লৈরে। ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট অসিদা থবক তৌনবা খল্লবা ওন্ত্রপ্রে-ন্যুয়রশিংনা থা অসিগী মনুংদগী থবক হৌহন্নবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ টিঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটশিং শেমগৎপগা লোয়ননা ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিং মশীং য়াম্না পুথোকপা তঙায়ফদে। ওন্ত্রপ্রেন্যুয়র মশীং য়াম্না পুথোক্লিবমখৈ পোথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎকনি। থবক ফঙদ্রিবা মীওই কয়াদসু থবক পীবা ঙমগনি।

তেরা উরক্কী ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট অসি হৌজিক য়ুনিট কয়া থবক হৌবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। মফম অসিদা মৈ ফঙদবনা মরম ওইদুনা থবক হৌবা য়াদবগী ফিভম লৈরম্বা থেংনরে। অথুবা মতমদা মৈ পীনবগী মীৎয়েং চঙলগনি। মৈ হেক পীরবদি থবক হৌবা য়ারগনি। ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট অসিদা থবক তৌগে হায়না এপ্লাই তৌরকখিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিংনা থা অসিগী মনুংদগী থবক হৌহন্নবা হোৎনগদবনি। ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিং য়াওনা মীটিং অমা পাঙথোক্লগা থা অসিগী মনুংদগী থবক হৌহন্নবগীদমক মীৎয়েং চঙগনি। শেম্বা লোয়রবা য়ুনিটশিং অসিদা ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিং অসিনা পায়খৎনিংবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা য়ারগনি। করিগুম্বা অহেনবা য়ুনিটশিং হাঙবগী তঙায়ফদবা লাক্লবদি নৌনা সেটশিং শানবগী থৌরাং পায়খৎকনি।

ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট অসিদা হৌজিক থবক পায়খৎপা য়াবগী চপ চাবা ফিভম অদু লৈরবনি। মসিদা থবক হৌবা য়ানবগীদমক তঙায়ফদবা খুদিংমক দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙগনি। লমদম অসিদা পোথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎলিবমখৈ শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎপদা খুমাং চাউশিনগদৌরিবনি। ওন্ত্রপ্রেন্যুয়র মশীং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## সী এম দিল্লিদা থুংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ : চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন হয়েং নুমিদাং-ৱাইরম ন্যু দিল্লিগী কোনার্ক পেলেসতা পাঙথোক্কদবা চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী থৌরম অমদা শরুক য়ানবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মহাক থা অসিগী ১৯ দা ইম্ফালদা হল্লক্কনি।

## কার ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ : থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থৌবাল বাবু বজারদা থা অসিগী ১৫গী নুমিদাং পুং ৭.২৫ রোম তাবদা লম্বীগী মতায়দা চৎপী হুইরেম রাধে (৫০) কৌবী নুপী অমা থোল্লম্লগা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা মারুটি অল্টো অদু থৌবাল পুলিসনা ফাগৎখ্রে। থৌদোক অদুদা কার থৌরিবা মীওই অদুনা শোক্তুনা লৈহৌবী নুপী অদুবু হন্না য়েংলমদনা নাম্থোক্লগা চেনখিবনি। শোক্লবী হুইরেম রাধে থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লাকয়ন্নরবা মতুংদা কোক্তা ফীভম থিনা শোকপদগী রাজ মেদিসিটিদা অমুক পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা থৌবাল পুলিসনা থা অসিগী ১৬ তা খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগী গুরুময়ুম মিলটোন, অপোকপা ইন্দ্রমোহোন কৌবা মারুটি অল্টো কার অদুগী দ্রাইভর অমসু মারুটি অল্টো কার নম্বর এম এন ০১এস ৬৯৯৬ গা কোন্নবা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 71.272210 |
| US Dollar | 64.102416 |
| British Pound | 83.103839 |
| Australian Dollar | 47.454068 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.307266 |
| Japanese Yen | 0.571996 |
| Malaysian Ringgit | 14.825278 |
| Nepalese Rupee | 0.625106 |
| Russian Ruble | 1.126369 |
| Singapore Dollar | 45.975026 |
| South Korean Won | 0.057217 |
| Thai Baht | 1.857713 |
| Myanmar Kyat | 0.04716 |
| Bangladesh Taka | 0.79435 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29101.60 |
| Mumbai | – | Rs 29604.28 |
| Delhi | – | Rs 29411.76 |
| Kolkata | – | Rs 29604.28 |

## HL POLL

Q : Sel chabagi fagatlaba employee sing asigi cheirak thabaktagi suspend toubasina loiradra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meeyamgi numit thouramsi Chief Minister N. Biren gee oina khangtapta tokkhi-douba manbra?

Yes 58% No 42%

## অস! লোইরেহে!

সার, মিনিষ্টর অমা শেল চারে...!




হেরা, মমাঙগী লৈঙাক্তা মিনিষ্টরনা শেল চাখিবদু ওইরম্লি...!

## শেঙ্গা-থুমজাগী মরালদা দোক্টর অমা য়াওনা পূন্না ইমপ্লোয়ী নিপান থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
সী এম সেক্রেটরিয়েটতা হাংদোক-খিবা এন্টি করপসন সেলদা মীয়াম্না খুদম চাংদমগা লোয়ননা ৱাকৎলকপশিং থিগৎলবা তুংদা দোক্টর অমা য়াওনা ইমপ্লোয়ী ৮ সস্পেন্দ তৌখ্রে।

থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা দোক্টর অদুগী মমিং ডা. ও হেরামোত কৌই। মহাক জেনিমসকী রেদিওদাইগ্নোসিষ্ট দিপার্টমেন্টকী ইন-চার্জ হেদ ওফ দিপার্টমেন্টনি। মহাক থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবা অদুগী মরম এম আর আই, সী টি স্কেন, এক্স-রে অমসুং অল্ট্রাসাউন্দনচিংবা লৌবদা লোনা য়াদবা শেনফম লৌই হায়বগীদমক্তনি। মহাক থারগা শেল চাবগা মরী লৈননা জেনিমসকী এটেন্দেন্ট এন রোমেশসু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবনি।

এন্টি করপসন সেলগী ও এস দি, পি গোজেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী এল সী হুইরোম দিনেসসু পুলিস ষ্টেসন অসিদা এফ আই আর লৌখৎ-পীয়ু হায়না লাকপা মীওইদগী শেল চাই হায়বা ৱাকৎ অমগী মতুংইন্না মহাক থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মহুদ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ইমপ্লোয়ী অহুমসু শেঙ্গা-থুমজাগা মরী লৈনবা কেসতা চেন্নবগীদমক থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। মখোয় অহুম অদুদি, কোর্পোরেসন অসিগী এফ এ, এল লোকেন, এফ এ, এম কুঞ্জরাজ অমসুং এল দি সী, এন জিবোননি। দুকানগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা মখোয়না অহেনবা শেনফম লৌবগীদমক সস্পেন্দ তৌবনি হায়রি।

সুগনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা চাইরেন গ্রাম পঞ্চায়টতা প্রিপেদ মিটর এক্টিভেট তৌবগা মরী লৈননা শেল লৌবগীদমক এম এস পি দি সী এলগী এল সী (জে বি সী) কে ঐচ সুরেশ কৌবা ইমপ্লোয়ী অমসু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী এস আই, জি কিটি শর্ম্মা কৌবা অমসু ফারবা মীওই অমা থাদোকপদা শেল লৌবগীদমক সস্পেন্দ তৌখ্রে।

## ম্যান্মারদগী উ পুরকপা ট্রক ১৪ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফারে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
ম্যান্মারদগী লোন্না কামজোং দিষ্ট্রিক্ট ফাওরগা পুরকপা উ থন্না য়াওবা ট্রক ১৪ ফাখ্রে।

পাইন ৱুদ অমদি কঙ্গারা ৱুদ হাপ্লগা পুরকপা ট্রকশিং অদু উখ্রুলদগী কিলোমিটর ২৬ লাপ্না লৈবা ফিন্স কোর্নরদা ফাখিবনি।

ঙরাং হৌদোকখিবা সিরুই ফেষ্টিবেল ২০১৭ য়াওরুরগা ইম্ফাল তম্না হল্লকপগী লম্বীদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোরেষ্ট দিভিজন উখ্রুলগী মখাদা লৈবা বিট ফোরেষ্ট ওফিসরগী ওফিসতা চঙদুনা ফীভম য়েংশিনখি। ওফিসতগী থোরক্লবা মতুংদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা লম্বীদা নাগালেন্দগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাবা ট্রক অহুম থেংনখি। চীং লম্বীদা মিটর খরা থৌরবা মতুংদা অসাম অমদি নাগালেন্দগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাবা ট্রক ১১ কামজোংগী দি সী আর্মষ্ট্রোং পানমৈ অমসুং এস পি, এল রাগুইনা ফাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। ওফিসলশিংনা ট্রক অদু থৌরকখিবা দ্রাইভরশিংগী চে-চাং পুন্নমক থাজিনখি।



মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফিন্স কোর্নরগী বিট ফোরেষ্ট ওফিসতা অমুক হন্না চত্তুনা কামজোংগী দি সী আর্মষ্ট্রোং পানমৈ, উখ্রুলগী দি এফ ও মঙলেম সিংহ, রেঞ্জ ওফিসর এস দল্লিয়ু সুইসা অমদি দেপ্যুটি রেঞ্জর এ এস তুইসাংগা লোয়ননা ফারবা ট্রক দ্রাইভরশিংগী চে-চাং য়েংশিনবদা অশাবা ট্রান্সিট পাস য়াওনা চে-চাং অয়াম্বদা শাশিন্নবা সাইন তৌরম্বা থেংনখি।

হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা কামজোংগী দি সী অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিনা লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসর-শিংনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপগা লোয়ননা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মোরেদা বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ম্যান্মারগা লোন্নবা লমখৈদা লৈবা মোরে টাউনদা মতিক ময়াই লৈরবা আই ঈ দি অমা পোকখায়খ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা মোরে ৱার্দ নম্বর টুগী সন রাইজিং গ্রাউন্দগী প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর মনাক্তা থোকখিবনি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীশি-মীনা, অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে। অদুমকপু মনাক নকপদা লৈবা য়ুম খরদি অকায়-অতোয় থোকপা য়াওখি হায়রি।

বোম অদু কনানা পোকখায়-হল্লম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## য়ু সী এমগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লিচিং মখাদা অনৌবা লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী লুচিংবশিংনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম লাইবক থীবনি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট এন্টি ট্রাইবেল বিল (জে এ সী)না ফোঙদোরক্লি।

জে এ সীগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ট্রাইবেলনা খুন্দাবা চীংগী মফমদা সিক্স সেদ্যুল্ড চৎনহনবগী মতাংদা তম্পাক্কী মীওইশিংনা চিংনবা অমসুং নুংনাংবা ফোঙদোরক্লিবসি ইন্দিজিনস ট্রাইবেল পিপলস অমসুং ট্রাইবেলগী লম নমথদুনা থম্নবগী মওংনি। সিক্স সেদ্যুল্ড চৎনহন্দুনা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং অমসুং গ্রাসরূটতা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরম পুন্নমক চীংগী মফমদা য়ৌহনবা হায়বসি ইন্দিজিনস ট্রাইবেল মীয়ামগী অপাম্বনি।

চীংদা সিক্স সেদ্যুল্ডগী প্রোভিজন চৎনহনবনা ষ্টেটকী ইন্টিগ্রিটি ঙাক্তুনা থম্বদা মতেং ওইনগনি। করিগুম্বা ট্রাইবেল মীয়াম্না সিক্স সেদ্যুল্ডগী প্রোভিজন চৎনহন্নবা দিমান্দ তৌবগী মহৎতা গ্রেটর ওফ ওটোনোমি তানবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা থোক্লবদি মণিপুর মচেৎ তানা কায়খিনবগী অহানবা খোঙথাং ওইগনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা সিক্স সেদ্যুল্ড চৎনহনবনা ট্রাইবেল অমদি মীতৈগী মরক্তা নকশিনহনবগা লোয়ননা চীংগী মীয়ামদা অহেনবা ওটোনোমি পীরগা ষ্টেটকী অপূনবা শক্তম কায়হন্দনা থম্বা ঙমগনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) তৌরিবা গ্রুপশিংনা জে এ সী অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) সাইন তৌনবদা শরুক য়াহনখিবগী মায়োক্তা য়ু সী এমগী লুচিংবশিংনা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শীরকখিবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, সূ গ্রুপশিংগা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবগী ৱাফম এম ও য়ুদা ময়েক শেংনা য়াওরি। অদুম্মকপু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## সী এমনা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
অহানবা ওইনা থা অসিগী হৌখিবা ১৫ দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম মায় পাকহনখিবগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

লৈঙাক্লা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অসিদা মীয়ামগা ৱারী শানদুনা মতম শাংনা থম্মোয়দা ফুমদুনা লৈরকপা ৱাকৎশিং তাখিবগীদমক দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরস, চীফ সেক্রেটরি, লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট, দেপ্যুটি কম্মিস্নার, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমদি ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসর/সব-দিভিজনেল ওফিসর খুদিংমকপুসু থাগৎলক্লি।

কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসল খুদিংমক্লা মীয়ামগী ৱাকৎ তারবা মতুংদা অৱাবা কোকহন্নবগীদমক মশা-মশাগী অঙম্বা থাক্তা থবক পায়খৎপীনবা চীফ মিনিষ্টরনা আপিল তৌরক্লি। মীয়াম্না ৱাকৎলম্বা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা মতুংদা ওফিসলশিংনা ৱাকৎলম্বা মীওইশিংদা ঈ-মেইল নৎত্রগা মোবাইল ফোনগী খুথাংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউখুম পীখিগদবনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাকপা, মনুং-মপান ফাওনা উবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না ৱাশকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না মীয়ামগী থবক তৌগনি। লৈঙাক অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তা নকশিন্নহনবগা লোয়ননা গ্রাসরূট লেবেলদা লৈবাক মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা লৈঙাক্লা মীয়ামগী নুমিৎ হায়না মিংথোনবা থৌরম পাঙথোকপা হৌখিবনি।

## সুপ্রিম কোর্টনা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে


ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) গী দিরেক্তর খন্নবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা কুমজা ২০১৬ কী ওগষ্ট ১৬ তা থোকখিবা এদভর্টাইজমেন্ট অদু চৎনহনখিবতা নত্তনা দিরেক্তর খন্নবগীদমক পীরিবা ক্রাইতেরিয়া অদু শেমদোক্লবা মণিপুর হায়কোর্টনা চহী অসিগী মার্চ ২৭ তা পীখিবা য়াথং অমবু শীংনরদুনা রিমসগী দাক্তর মরিনা পেটিস্নর ওইরগা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা স্পেসল লিব পেটিসন অমগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী রেস্পো-ন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

মণিপুর হায় কোর্টনা পীখিবা য়াথং শীংনরদুনা রিমসগী দাক্তর মরিনা পেটিস্নর ওইরগা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎখিবা স্পেসল লিব পেটিসন অদুগা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## রেদিও সেরিয়েল প্লে মতমগী খোঙলৈদা শন্দোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
*তাইবং কৈথেল অমসুং খোঙথাং কয়ানি* হায়না মিংথোনবা রেদিও সেরিয়েল প্লে অনী মমাঙ চহীদা মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা তুংদা ইপিসোদ ১৩ লৈগদবা *মতমগী খোঙলৈদা* হায়না মিংথোনবা রেদিও সেরিয়েল প্লে অমা অমুক থা অসিগী ২০ দগী কংলা (মেদিয়ম ৱেভ) অমসুং শঙাই (এফ এম) চেন্নেলদা শন্দোকপা হৌরগনি।

ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিব (দ্রামা) এ গীটচন্দ্র শর্ম্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রেদিও সেরিয়েল প্লে অসি থা অসিগী ২০ দগী ওগষ্ট ১২ ফাওবা থাংজ নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাং পুং ৭.৪৫ তাবদা শন্দোক্কনি। শন্দোক্কদৌরিবা সেরিয়েল অসি শক্লাইরবা অইবশিংগী অতেনবা ৱারী ১৩ দগী *মতমগী খোঙলৈদা* হায়না মীংথোন্দুনা শন্দোক্কদৌরিবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।



ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী দ্রামা আর্টিষ্ট ৭০ রোমনা রেদিও সেরিয়েল প্লে অসিদা শরুক য়ারি। *মতমগী খোঙলৈদা* হায়রিবা সেরিয়েল প্লে অসি পুথোকপনা অধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মানি। অদুগা পুথোকপদা মতেং পাংবনা অথোকপম সুভাসচন্দ্রনি।

শন্দোক্কদৌরিবা রেদিও সেরিয়েল প্লে অসি মীয়াম্না তবীয়ু অমসুং প্লে অসিগী মরমদা মীয়াম্না মখোয়-মখোয়গী ওইবা অনীংবা অপাম্বশিং ফোঙ-দোকপীরকপদা তরাম্না ওক্কনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, সৈত্যবতি নিংঙোম্বমনা ইবা, ডা. খোইস্নাম রঞ্জিৎনা রেদিও লীলা ওইনা ইথোকপা প্লে *হন্দোক্লবা পাঞ্জল* থা অসিগী ২০ দা শন্দোক্কনি। থা অসিমক্কী ২৭ তা হুইদ্রোম দিল দয়ালনা ইবদগী মশামক্লা রেদিও লীলা ওইনা অমুক ইথোকপা প্লে *ইনবোক্স* শন্দোক্কনি। জুন ৩ দা সরতচন্দ্র নোংথোম্বনা ইবা রাজেন শরাংথেমনা রেদিও লীলা ওইনা ইথোকপা *নোংজু কুম্মৈ* শন্দোক্কনি।

জুন ১০ দা সরত সলামনা ইবা মশামক্লা রেদিও লীলা ওইনা ইথোকপা *নুপাশিংগী মথক্তা লান* শন্দোক্কনি। জুন ১৭ তা এস. সী. য়াইখোম্বনা ইবা রাজেন সরাংথেমনা রেদিও লীলা ওইনা ইথোকপা *তস কল্লক পেল্লিদা* হায়বা প্লে অসি শন্দোক্কনি। জুন ২৪ দা সুধিরঞ্জন মোইরাংথেমনা ইবা য়েন্দ্রেম্বম রন্ধিরকুমারনা রেদিও লীলা ওইনা ইথোকপা প্লে *মীরক্তা চৎলিবা অশিবা* শন্দোক্কনি। জুলাই ১ দনা হুইরোংবম বেনুবলানা ইবা ডা খুন্দোংবম গোকুলচন্দ্রনা রেদিও লীলা ওইনা ইথোকপা *ৱারেপ* শন্দোক্কনি।

জুলাই ৮ দা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ডা. খোইস্নাম রঞ্জিৎনা রেদিও লীলা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬


LOAN AVAILABLE

মথল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop Loan
হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1593/14 May-14 June



ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫